## রানী গাইদিনলিয়ুগী মপোক কুমওন

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৫(ঐচ এন এস): লমদম অসিগী ফ্রীদম ফাইটর হাইপৌ রানী গাইদিনলিয়ুগী ১০৩ শুবা মপোক কুমওন থৌরম থা অসিগী ২৬ তা মন্ত্রিপুখ্রিদা লৈবা রানী গাইদিনলিয়ুগী পার্কতা পাঙথোক্লগনি হায়না কবুই মাদরস এসোসিএসনগী জেনরেল সেক্রেটরি রঞ্জিতা গোলমৈনা ফোঙদোকখ্রে। থা অসিগী ২৬ তা পাঙথোক্কদৌরিবা রানী গাইদিনলিয়ুগী ১০৩ শুবা মপোক কুমওন থৌরম অসিগী মাঙওইননা মন্ত্রিপুখ্রিদা লৈবা রানী গাইদিনলিয়ুগী পার্কতা সোসল সার্ভিস অমদি লাইশোন-তিনশোনগী থৌরম অমদা রঞ্জিতা গোলমৈনা হায়খি, মরৈবাক মরমদমগীদমক্তা কন থৌরবা বৃটিশকী মায়োক্তা শিবা কিদনা থৌনা ফনা লাম্হেংনবনা থৱায়না পোন্থা পীখ্রবী ফ্রীদম ফাইটর রানী গাইদিনলিয়ুগী ১০৩ শুবা মপোক কুমওন থৌরম অসি গভর্ণমেন্টনা রানী গাইদিনলিয়ুগীদমক্তা পীরিবা পার্ক অসিদা অহানবা ওইনা পাঙথোক্লগনি। থৌরম অসি নুংথিল পুং ১ তাবদা হৌগনি। থৌরম অসিদা লমদম অসিদা পূন্না লৈমিন্নরিবা তোঙান-তোঙানবা ফুরুপ অমদি কাঙলূপকী ইচিল-ইনাও খূদিংমক্না শরুক য়ারনবা কবুই মাদর এসোসিএসনগী মায়কৈদগী আপিল তৌরক্লি।

## চেঙ্গুম থাবগী ট্রেনিং

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৫(ঐচ এন এস): শিদয়াই চেঙ্গুম প্রদ্যুসর কম্পেনি লিমিটেদনা শীন্দুনা থা অসিগী ১৪ দা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা মৈত্রম অৱাং লৈকায়দা নোংমগী ওইবা চেঙ্গুম থাবগী ট্রেনিং প্রোগ্রাম অমা পাঙথোকখ্রে। ট্রেনিং অদুদা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট, ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট, উখ্রুল দিষ্ট্রিক্ট অমসুং থৌবাল দিষ্ট্রিক্টতগী লাকপা মীওই ২৫ রোম্না শরুক য়াখি হায়না কম্পেনি অসিগী চীফ এগজিক্যুটিব ওফিসর ঙারিয়ানবম রামেশ্বরিনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

## কৈশামথোং লোকল কাউন্সিল

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৫(ঐচ এন এস): কৈশামথোং লোকল কাউন্সিল সী পি আইগী ৩৬ শুবা চহীগী লোকল কনফরেন্স থা অসিগী ১৪ দা কৈশাম্পাৎ লৈমজম লৈকায়দা লৈবা সিনিয়র জর্নেলিষ্ট এন দেবেনগী য়ূমদা পাঙথোকখ্রে। মীফম অসিদা পার্টি অসিগী দেপ্যুটি সেক্রেটরি এল সোটিনকুমার, পার্টি অসিগী সীটি দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিলগী সেক্রেটরি সলাম য়াইমসু শরুক য়াখি। মীফম অসিদা পার্টি অসিগী পোলিসি প্রোগ্রাম কয়া খন্ন-নৈনখিবগা লোয়ননা কুমজা ২০১৯গী অঙনবা শরুক্তা পাঙথোক্কদৌরিবা লোক সভাগী জেনরেল ইলেক্সন অমসুং ষ্টেট অসিগী হৌজিক ওইরিবা পোলিটিকেলগী ফীভম অসি কুপ্না খন্ন-নৈনখি। মীফম অদুদা মীওই ৭ না শাবা অনৌবা কাউন্সিল অমসু শেমখ্রে হায়না এসিস্টেন্ট সেক্রেটরি কৈশামথোং লোকল কাউন্সিল সী পি আই, এল শরতনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

## চানৌ তম্বগী থৌরম

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৫(ঐচ এন এস): তেরাখোংশাংবী লৈমরাম খুনৌদা শাফোঙদুনা লৈরিবা লাইনিংথৌ মঙাং, লুৱাং, খুমনগী কুমশি চহীগী ফিজোল হোংবা অমদি চানৌ তম্বগী থৌরম থা অসিগী ১৮ দা পাঙথোক্লগনি হায়না লাইনিংথৌ মঙাং, লুৱাং, খুমন থৌগল্লূপনা ফোঙদোরক্লি।

## এৱার্দীশিং ওকখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৫(ঐচ এন এস): অইবা লূপ অসাম, হোজাইনা শীন্দুনা থা অসিগী ১৪ দা কথালতলি এম ঈ স্কুলদা অয়ূক্কী পুং ১০ তাবদা থৌদাম বাবাতোম্বীনা প্রিসাইদ তৌদুনা নেসনল এৱার্দী কে সী মঙাং, য়ুম্নাম রেনুকা অমদি মণিপুরদগী পুঙগী লম্‌দা মনা ফংলক্লবা এস বিরাচন্দ্রবু তরাম্না ওকপগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা ডো. অশারানীনা মোদরেটর ওইনা ৱারী মচা পাবগী থৌরম অমসু পাঙথোকখি অমদি অইবা-অইবী ১৯না ৱারী মচা পাথোকখি হায়না অইবা লূপ অসাম, হোজাইগী সেক্রেটরি লাইসোম গুলাপনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

## কৈরাও লোকল কাউন্সিল

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৫(ঐচ এন এস): কম্যুনিষ্ট পার্টি ওফ ইন্দিয়া, কৈরাও লোকল কাউন্সিলগী চহীগী লোকল কনফরেন্স থা অসিগী ১৪গী অয়ূক্তা চনম সন্দ্রোক কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকখ্রে। কনফরেন্স অদুদা এম এস সী, সী পি আইগী দেপ্যুটি সেক্রেটরি এল সোটিনকুমারনা স্পেসল গেষ্ট ওইখি। কনফরেন্স অসিনা চহী অসিগী থৌ পুনবা টি সুবোলবু লোকল সেক্রেটরি ওইনা খনখ্রে হায়রি।

# নুমিৎ মঙানি চথগদবা ওন্ট্রপ্রেন্যুরশিপ দিভলপমেন্ট প্রোগ্রাম ফোর ৱিভর হৌদোকখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৫(ঐচ এন এস): দিপার্টমেন্ট ওফ হেন্দলূম এন্দ টেক্সটাইল, গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুরনা স্পোন্সর তৌরগা ওল মণিপুর ওন্ট্রপ্রেন্যুরস' এসোসিএসনগী গভর্নিং বোদিনা শীন্দুনা নুমিৎ ৫ নি চথগদবা ওন্ট্রপ্রেন্যুরশিপ দিভলপমেন্ট প্রোগ্রাম ফোর ৱিভর হৌদোকপগী থৌরম ঙসি এম এস এম ঈ-দিভলপমেন্ট ইন্সটিট্যুট গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী তাকয়েল ইন্দষ্ট্রিএল ইষ্টেটতা লৈবা কনফরেন্স হোলদা হৌদোকখ্রে।




হৌদোকপগী থৌরম অদুগা মরী লৈননা হেন্দলূম এন্দ টেক্সটাইল গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুরগী দিরেক্টর লম্লি কামৈনা ফোঙদোকখিবদা, হেন্দলূমগী ফিশা-লোনশা তৌবা অসিদি ওন্ট্রপ্রেন্যুর হায়বা মিংথোল অসি ফংদ্রিবনি। মপানগী লৈবাক খূদিংমক্লা হেন্দলূম তৌবা খূদিংমক অসি লল্লোন-ইতিক তৌবা নুপা-নুপী অমদি ফিশাবীগা লৈগদৌরিবা অনীগী মরক্তা মিন্দলমেনশিংনা তৌবা অসি য়াম্না নেগেটিব ওইবা শেলদং পামদুনা লল্লোন-ইতিক তৌবগী মমিং ওইনা লৌনৈ। ফিশাবীশিংনসু মপান লমদগী নৎত্রগা তোঙান-তোঙানবা মফমদগী লং পুরক্লগা ফজবা ফি ওইনা শারগা পুথোক্লিবা অদু ওন্ট্রপ্রেন্যুর অমগী থৌদাংনি হায়না লৌজরগা হেন্দলূমদা লৈরিবা খূদিংমক অসি ওন্ট্রপ্রেন্যুর হায়বা ৱাহৈ অসি হাপ্পগা মিন্দলমেন ওইনা ট্রেনর হায়না লৈরিবা ৱাহৈ অসি লৌথোক্লগা ওন্ট্রপেন্যুর হায়বা ৱাহৈ অসিনা মহুৎ শিনগদবনি। ফি তুববু ওইরো, লোনববু ওইরো লোইনমক অসি হেন্দলূমগী মায়কৈদা পুশিল্লক্লবদি খূদিংমক থাক মান্নবা ঙমগদ্রা হায়না খল্লি।

নুমিৎ মঙানিসিগী মনুং অসিদা মণিপুরগী তোপ-তোপ্পা হেন্দলূমগী ফিশা-লোনশা তৌরিবা অসিদা শক তাক্ল বগী থৌরম অমা য়াৎথোকসি হায়না তৌবনি। মণিপুর খক্তদা নৎতনা হেন্দলূমগী পোথোকশিং অসি অমেরিকা, লন্দন অমসুং য়ুরোপকী লৈবাকশিংদা এক্সপোজ তৌরে হায়বখক্তং নৎতনা মপূং ফানা য়োন্নবগী এজেন্সী অমত্তা লৈতে। কোলকাটা অমসুং মুম্বাইদা পোৎ থারম্বা য়াই। মদু দাইরেক্ট ওইনা থাবা নত্তে। মীগী খূথাংদা থাবদি লৈরম্বা য়াই হায়না ফোঙদোকখি।

টেক্সটাইল পোলিসি শেম্বদা ফিশাবীশিংদা কান্নবা পীনবা হোৎনরি। অহানবগী ওইনা ওল মণিপুর ওন্ট্রপ্রেন্যুরস' এসোসিএসনগা, অনীশুবদা অখঙ-অহৈশিংগা, মথংদা মিনিষ্টরশিংগা তান্নদুনা পাৱর লূম ২০১ পানখৎতুনা ফঙ্কসন তৌহন্নবা নিল্লকুথি অর্বান হট লাক্লিবা মার্চ ফাওবদা লোইশিন্নবা হোৎনরি। টেক্সটাইল পোলিসিদা পাৱর লূমগী ওইনদি গভর্ণমেন্টতা লানখৎখ্রে। লোইতাং খুনৌদা পাৱর লূম খরা চল্লাইনবা অদুগা খরনা য়ূমদা চল্লাইনবা থৌরাং তৌরি।

পাৱর লূম ইষ্টেটসু শাবা লোইশিল্লগা শঙ্গানবা মিনিষ্টরদা থাগৎখ্রে। চহী অসিদা অসিগুম্বা থবক থৌরম অহুম অসি লোইশিন্নবা পান্দম থল্লি। ওল মণিপুর ওন্ট্রপ্রেন্যুর এসোসিএসনশিংনা ওন্ট্রপ্রেন্যুরশিংগী ফীদবেক পীবীরকউ। মথং চহীদা হাপ্পা য়াবশিং হাপ্তুনা মণিপুরগী ৱাংমদা দুকান হাংনবগী স্কিম লৈবনি। পাৱর লূম ষ্টেটতা থম্নবা হোৎনগনি হায়নসু মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা ওল মণিপুর ওন্ট্রপ্রেন্যুরস' এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট এস রিষিকান্তসু শরুক য়াখি।

# নিমপাল ময়াং ইম্ফাল ব্রাঞ্চকী মীফম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৫(ঐচ এন এস): নোংচুপ ইম্ফাল মৈরা পায়বী অপূনবা লূপ (নিমপাল)গী ময়াং ইম্ফাল ব্রাঞ্চকী জেনরেল বোদি মীটিং অমা ময়াং ইম্ফাল কোঙ্গাক খুনৌ মল্টিপর্পজ হোলদা থা অসিগী ১৪গী নুংথিলদা পাঙথোকখ্রে।

নিমপালগী সেক্রেটরি জেনরেল এস শান্তি লৈমনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, মীফম অদুদা নিমপালগী প্রসিদেন্ট টি ঐচ ইবেয়াইমনা প্রিসাইদ তৌখি। ব্রাঞ্চ অসিগী চহী ২গী থৌ পুনবগীদমক এগজিক্যুটিব কম্মিটিগী মেম্বর ১৯ খনখি। টি ঐচ বিলাশিনীবু প্রসিদেন্ট, কে নুংশিরৈ কবুইনি অমসুং দি পি সনাতোম্বী বেগমবু ভাইস প্রসিদেন্টশিং, টি ঐচ সোমোলাবু জেনরেল সেক্রেটরি অমসুং সভানাবু ফাইনান্স সেক্রেটরি ওইনা খনখ্রে।

মীফম অদুদা নিমপালগী ব্রাঞ্চ ওইনা মপূং ফাবা য়ুনিট অমা ওইবদা য়ানখিবগা লোয়ননা কবুইগী মেম্বরশিং, মীতৈ পাঙলগী মেম্বরশিং য়াওনা ৱারেপ কয়া লৌখি। হৌজিক-হৌজিক লৈবাক অমা চাউখৎহনবা মতমদা শেন্মীৎলোনগী তঙাইফদবা লৈবনা নুপীশিংগী শেন্মীৎলোনগী মতাংদা কুপ্না খন্ন-নৈনদুনা অচেৎপা মরী থম্নদুনা পূনশিন্নদবা য়াদবগী থৌদাং লৈ হায়না ফোঙদোকখি। শোথরবা লমদম অসিদা তুংদা লাক্কদবা মীরোলগীদমক্তা খল্লগা অচঙবা খুন্নাই অমা ওইনবা অফবা লম্বী শেম্বীবা তাই। ঙল্লিঙৈ মতমদা লমদমসিগী ইমাশিংনা লৌখিবা থৌদাং ময়াম অদু ঙসিগী মীরোলনা হনগৎনা নৈনগদবনি। ঙসিগী মীরোলনা তুংগী মীরোলগীদমক তমজনিংঙাই ওইবা লম্বী য়াৎপীদুনা চাউখৎপা লমদম অমা ওইহন্নবগীদমক্তা খুন্নাইগীদমক কথোকপগা লোয়ননা শরুক য়ামিন্নসি হায়না ফোঙদোক্লখি।

থৌরম অদুগী নুংগী ৱারোল পীরদুনা এস শান্তি লৈমনা হায়খি, হৌজিক-হৌজিক ঐখোয়গী খুন্নাই অসিদা থিংবা ঙমদবা ইস্যু কয়াগী তুংফম ওইরবা, ৱাবনা খম থেংলবা লমদম অসিদা ঐগী-ঐগী হায়বা অপীকপা ৱাখলদা য়ূম্ফম ওইরগা কল্লক য়েংথীনরিবা মীবু মী ওইনা উবা ঙম্লক্তবা নোংমতা কাংদনা মীহাৎ-মীপূন থোক্লিবা অসিগুম্বা কয়া অসি থোক্তনবা ফুরুপ খূদিংমক্লা পূক্লিং, ৱাখল অমত্তা ওইনা খোঙফম চেংনা পূনশিনমিন্নদুনা ইরমদম অসিবু কনমিন্নসি হায়বা ৱাফম ফোঙদোকখি।

# লিলোংগী লম্বী-থোংগী ফীভম য়েংশিনবীয়ু : এ আই টি আই

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৫(ঐচ এন এস): ষ্টেট অসিদা মমাঙ চহীদা থোকখিবা ঈশিং ঈচাওদা মফম কয়াদা ঈশিং কায়দুনা থা কয়া ঈশিং থুমদুনা লৌ-ইঙ্খোল অমদি য়ূম-কৈ কয়া মাঙ তাকহল্লুরবা লিলোংদা অমুকসু অৱাবা হেন্না তাগদ্রা হায়না অকিবা ফাওরে হায়বা ৱাফম ওল ইন্দিয়া তাঞ্জিম-ঈ-ইন্সাফ (এ আই টি আই)না ফোঙদোরক্লি।

এ আই টি আই লিলোং লোকল কাউন্সিলগী জেনরেল সেক্রেটরি এম দি জাকির হুসেননা থোকপা চেরোল অমনা হায়, ঙাঙৌ লৌকোলদা তুরেল ঈশিং খরা হেনগৎলকপদা উকুদগী চেনশিল্লকপা ঈশিংনা লৌফম কয়া থুমদুনা মাঙলি। মসিবু মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টনা অথুবা মতমদা মীৎয়েং চঙহন্নীংই। কিলোমিটর ৩৫ মুক ওইবা তুরেল তোর্ব্বান অসি হান্নদগী হেন্না খূদোংথীদুনা লৈরে। মফম কয়াদা তুরেল তোর্ব্বান কিন্থদুনা ঈশিং ঈচাও অমুক লাকপদা হান্নগী অৱাবা অদুদগী অমুক হেন্না ৱাগদ্রা হায়বগী মীপাইবা পোকহল্লি। খূদোংথীবা মফমনি হায়না খারম্বা রিটেন্নিং ৱালশিং অদু ক্বালিটি কন্না ট্রাল তৌদবা অমদি শাবা লোইশিল্লমদবা অসিনা ঈশিং চাউরকপা মতমদা কান্নবা ইফং ফংদে।

লিলোং এ সীদা লৈরিবা লম্বী অয়াম্বা নোংজু থাদনা লৌবুক্কুম্না ঈশিং থুম্লে। নোংজু থা নৎত্রগনা উফুল হৌবনা মরম ওইদুনা মীওই কয়া অনা-অয়েক থোকহন্দুনা লৈরে। পেসেঞ্জর গাড়ী কয়া চেনবদা খূদোংচাদবশিংসু মায়োক্লুরে। অনৌবা লৈঙাক অসিনা লম্বীগী ফীভম ফগৎহনগনি হায়রবসু লিলোং এ সীগী শরুক য়াওদ্রবরা, গভর্ণমেন্ট অমদি লিলোং এ সীগী এম এল এনা নোংজু পন্থা লাকপা ঙাইদনা মীয়ামগী অৱাবসি য়েংবীদুনা মীৎয়েং চঙহন্নীংই হায়রি।

হাওরৈবী কোঞ্জিলগা সমুরৌগা শম্ন রিবা অমত্তা ঙাইরবা থোং অসিসু মতম চানা শেম্বীদবনা হৌজিক্তি তেক্কুনা লৈরে। খুল ১০ মুক্কী লল্লোন-ইতিক তৌরিবা মীওইশিংনা অৱাবা অমদি খূদোংচাদবা কয়া মায়োক্লুরে। মরম অদুনা থোং অসিবু মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টনা মীৎয়েং চঙদুনা শেমজিনবীয়ু হায়রি।

# অসাম রাইফলসনা ওর্ফানেজ হোমদা তেংবাংখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৫(ঐচ এন এস): আই জি এ আর (সাউথ)কী মীৎয়েং মখাদা ৯ সেক্টর অসাম রাইফলসকী ১৫-অসাম রাইফলসনা ঙরাং লুৱাংশংবমদা লৈবা কার্মেল জ্যোটি ওর্ফানেজদা তেংবাংখিবগা লোয়ননা নোংপোক ককচীংদা লৈরিবা গভর্ণমেন্টকী ওল্ড এজ হোমদা লৈরিবা মীওইশিংগা উনদুনা ৱারী শানবগী থৌরমশিং পাঙথোকখ্রে।

নাইন সেক্টর অসাম রাইফলসকী বৃগেদিয়র অমিট কাবথিয়াল, এস এম কম্মান্দরনা ঙসি কর্মেল জ্যোটি ওর্ফানেজদা চৎতুনা ওর্ফানেজদা লৈরিবা মেম্বরশিং অমদি মীয়ামগা উনখি। হৌজিক হোম অদুদা অঙাং ৬৩ লৈরি। থৌরম অদু ওর্ফানেজ হোম অদুগী অঙাংশিংনা তরাম্না ওকপগী ঈশৈ অমা শক্তুনা হৌদোকখি। হোম অদুদা অসাম রাইফলসনা প্লাষ্টিক চৌক্রি ৫০, প্লাষ্টিক টূল ৪৫, লিটর ৫০গী প্লাষ্টিক দষ্টবিন ৬ অমসুং মী মরি শীজিন্নবা য়াবা প্লাষ্টিক টেবল ৮ ওর্ফানেজ অদুদা খূৎশিন্নখি। রেফ্রিজিরেটর ৩, ৱাশিং মেছিন ৩ অমসুং লিটর ৫০গী আর ওসু অসাম রাইফলসনা হোম অদুদা খূৎশিন্নখি। কর্মেল জ্যোটি ওর্ফানেজ সোসাইটিগী মেম্বরশিংনা অসাম রাইফলসনা লৌখৎলক্লিবা থবক অদুবু থাগৎপা ফোঙদোকখি। অঙাংশিং অদু ওর্ফানেজ অসিদা নুংঙাইনা লৈনবগীদমক্তা এ আরনা পোৎলমশিং অসি তেংবাংলকপবু থাগৎপা ফোঙদোকখি।

অমরোমদা, গভর্ণমেন্ট ওল্ড এজ হোমদা চৎতুনা অসাম রাইফলসকী পার্সনেলশিংনা য়ুঠ ক্লবকী প্রসিদেন্ট, ভিলেজ কাউন্সিলগী প্রসিদেন্ট অমসুং মৈরা পায়বীশিংগসু উনখি।

খুলগী চাউখৎ থৌরাং অমদি মখোয়না মায়োক্লরিবা খূদোংচাদবা কয়াগী মরমদসু শাংনা খন্ন-নৈনখি। থৌরম অদুদা পূন্না মেম্বর ২৫ রোম শরুক য়াখি। থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা মেম্বরশিংনা ১৫-অসাম রাইফলসকী থৌওংশিং অদুবু থাগৎপা ফোঙদোকখি।

অমরোমদা, ২৮ সেক্টর অসাম রাইফলসকী ৩৯-অসাম রাইফলসনা শীন্দুনা ককচীং দিষ্ট্রিক্ট অমসুং চকপীকারোং সব-দিভিজনদা লৈরিবা অসাম রাইফলস অমসুং আর্মিগী এক্স-সার্ভিসমেন অমসুং মখোয়গী ৱিদোশিংগী ওইবা অসাম রাইফলস এক্স-সার্ভিসমেন রেল্লি অমা ঙসি পাঙথোকখ্রে। রেল্লি অদু দিরেক্টর জেনরেল ওফ অসাম রাইফলসকী অয়াবা লৌরগা ভেটেরানশিংগা চহী অসিগী ওইনা য়াইফ পাউজেল পীবনি। অতোপ্পা মফমশিংদা লৈখিবা এক্স-সার্ভিসমেনশিংদসু মখোয়গী পেন্সন অমসুং এল্লাৱেন্সকা মরী লৈনবা ৱাফম কয়াগী মরমদা ৱাকৎ কয়া লাকখিবদুগা মরী লৈননা খন্ন-নৈনখি। রেল্লি অদুদা অসাম রাইফলস, আর্মি অমসুং ৱিদো ১১০না শরুক য়াখি।

কর্নেল জিতেন্দ্র ভেনিৱাল, এস এম, এ দি আই জি, ২৮ সেক্টর অসাম রাইফলস অমসুং ৩৯-অসাম রাইফলসকী ওফিসিএটিং কম্মান্দেন্টনা ভেটেরানশিং অদুগা ৱারী শানদুনা অঙম্বা মতেং পীনবা ৱারেপ লৌখি।

মরকসিদা, ২৬ সেক্টর অসাম রাইফলসকী ১১-অসাম রাইফলসনা শীন্দুনা মোরেগী চবাংফাই ভিলেজগী মীয়ামদা ঙসি ৱেপন দিসপ্লে পাঙথোক্তুনা য়েংহনখ্রে।

ৱেপন দিসপ্লে অসি অসাম রাইফ্লসনা শীজিন্নরিবা খূৎশু খূৎলায়শিং অদু মীয়ামদা হেন্না খঙহনবগা লোয়ননা নহা ওইরিবা মীওইশিংগী ৱাখলদা ইন্দিয়ন আর্মদ ফোর্সতা চঙনিংবগী ৱাখল্লোন পোকহন্নবনি। থৌরম অদুদা পূন্না মীচম ২৮৯ শরুক য়াখি হায়না আই জি এ আর (সাউথ)কী পি আর ওনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

# মণিপুর কোলেজ কন্নবদা তেংবাংবীয়ু : কে এস এ

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৫(ঐচ এন এস): শিংজমৈদা লৈবা মণিপুর কোলেজ অসিদা য়ু জি সীনা থাদরকপা শেনফম কয়া মতম অদুগী প্রিন্সিপালনা শীজিন্নবদা ফাইনান্সিএল ইরিগ্যুলরিটি খরা লৈখি হায়না য়ু জি সীনা কোলেজ অসিবু কুমজা ২০১৪ দগী ব্লেকলিষ্ট তৌখিবদগী কোলেজ অসিগী মরাইবক তম্বা ঙমদবা ফীভম অমদা লাক্লে হায়না কংলৈপাক ষ্টুদেন্টস এসোসিএসন (কে এস এ)না ফোঙদোরক্লি।

কে এস এগী ঐচ আর দি সেক্রেটরি রোমেন সোইবমচানা থোকপা চেরোল অমনা হায়, য়ু জি সীগী মখাদা পাঙথোক্কদবা থবক থৌরম কয়া মরুওইনা য়ু জি সীগী মখাদা পাঙথোক্কদবা ৱার্কশোপনচিংবা অমত্তা পাঙথোকপা য়াদবদগী য়ু জি সীনা কোলেজ অসিদা পীরম্বা বি -গ্রেদ মখা তানা মথংগী এক্রিদিটেসনদা পীরক্তবগী ওইথোকপা ৱাংনা লৈরে। মরম অদুনা হীরম অসিগী মতাংদা মরী লৈনবা ওঠোরিটি অমদি লৈঙাক অসিনা য়ু জি সীদা চে থারি হায়দুনা নিংঙাইদনা লৈথোকপগী মহুৎতা খরা সেরিয়জ ওইনা হোৎনদুনা কোলেজ অসিবু কন্নবা হোৎনগদবনি হায়রি।

কোলেজ অসিনা ঙসি ফাওবদা অফবা মহৈরোয় কয়া পুথোক্তুনা লাক্লি। মখা তানা অচঙবা মহৈরোয় পুথোক্লবা কোলেজ অসিবু মুৎখিদ্রিঙৈদা কন্ননবা গভর্ণমেন্টনা মরী লৈনবা থবক পায়খৎনবা লৈঙাক্কী পূক্লিং চিংশিল্লক্লি। কোলেজ অসিবু কন্ননবা লৌখৎলকপা খোঙথাং খূদিংমক্তা লৈবাক মীয়াম্না মতেং পাংবীনবা কে এস এগী মায়কৈদগী মীয়ামদা ফোঙদোরক্লি।

# মীয়ামগী নুমিৎ পাঙথোকখ্রে

থৌবাল, জন্যুৱারী ১৫(ঐচ এন এস): থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট পুলিস হেদ ক্বার্টর অমসুং থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী ৱিমেন পুলিস ষ্টেসন য়াওনা পূন্না পুলিস ষ্টেসন ৭ তা ঙসি মীয়ামগী নুমিৎকী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

পুলিস ষ্টেসনশিংদা পাঙথোকখিবা মীয়ামগী নুমিৎকী থৌরম অদুদা মীয়াম্না দ্রগ অমসুং অলকোহোলগী মায়োক্তা লেপ্পুনা দ্রাইব চথনবা, থ্বারোক মহাদেবগী এরিয়াদা পেট্রোল্লিং চথদুনা নহা ওইরিবা মীওইশিংনা দ্রগ অমসুং অলকোহোল শীজিন্নবা লোয়ননা ইম্মোরেল ওইবা পামদবা থবক থৌরমশিং চথবা থিংবীনবা ৱাফমশিং পুখৎলকখি।

ৱাংজিং অমসুং য়াইরিপোক এরিয়াগী ট্রাফিক মেনেজমেন্ট, অনকপা চীংশিংদগী লৈবাক লৌথোকপা অমসুং লৈঙোই অঙাংবা চামশিনবনা মরম ওইদুনা থৌবাল তুরেলগী খোংনুং থেনগৎলকপা অমসুং ঈশিং নৈহল্লক্লিবা অসি য়েংশিনবীনবা ৱাকৎ কয়া পুখৎলকখি হায়রি।

# নুপী শুমাঙ লীলা অমসুং জগোইদা মনা ফংলকখ্রবশিংবু ওকখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৫(ঐচ এন এস): বৃজি নত্য শ্রী এৱার্দ ফংলক্লবী মোইরাংথেম পুর্ণিমাশি লৈমা অমদি মথুরাদা পাঙথোকখিবা ইন্টরনেসনল মল্টিলিঙ্গ্যুএল ফেষ্টিবেলদা নুপী শুমাঙ লীলা অমসুং জগোইদা মনা লৌরকখ্রবশিংবু মণিপুর ষ্টেট শুমাঙ লীলা কাউন্সিলনা ওকপগী থৌরম অমা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

পেলেস কম্পাউন্দা লৈবা ইবোয়াইমা শুমাঙ লীলা শঙলেন্দা পাঙথোকপা ওকপগী থৌরম অদুদা কাউন্সিল অসিগী সব-কম্মিটিগী চ্যেরমেন ৱারেপ্পা নবা, চ্যেরমেন এল তর্পন, লাইফ টাইম প্রসিদেন্ট পি ঐচ কুল্লচন্দ্র শর্ম্মা অমসুং ঠিএটর দিরেক্টর ক্ষেত্রি জুগিন্দ্রোনা প্রসিদিয়ম মেম্বরশিং ওইখি।

থৌরম অদুদা ৱারেপ্পা নবনা হায়খি, কাউন্সিলগী প্রসিদেন্টসু ওইরিবা অমদি নুপী শুমাঙ লীলা হাওবা কোনুগী দিরেক্টর ওইনা মথুরাদা উৎলুবদা বেষ্ট প্লে অমদি সেকেন্দ বেষ্ট দিরেক্টরগী মনা ফংলকপদা নৎতনা বৃজি নত্য শ্রী এৱার্দ পীরকপা হায়বসি চাওথোকচনিং-ঙাইনি। মসিদসু নৎতনা রাইটর আর্টিষ্টশিংনা লৌরক্লিবা মনাশিং অসিগীদমক্তসু শুমাঙ লীলাগী ওইনা চাওথোকচনিংঙাই ওইরে। মসিগী মথক্তা জগোইগী টিম অমনসু এৱার্দ লৌরকপসি হেন্না চাওথোকপা পোকচৈ।

কৃষ্ণ রঙ্গ মহোটসব ইন্টরনেসনল মল্টিলিঙ্গ্যুএল প্লে, দান্স অমসুং ম্যুজিক ফেষ্টিবেল, মোহন্টস অভিনয় সংস্কৃতিক সঙ্গথননা পূন্না শীন্দুনা থা অসিগী ৩ দগী ৬ ফাওবা উত্তর প্রদেশকী মনুংদা লৈবা বৃন্দাবনগী মথুরাদা পাঙথোকখিবা ফেষ্টিবেল অদুদা নুপী শুমাঙ লীলা হাওবা কোনুনা সেকেন্দ বেষ্ট স্ক্রিপ্টতা বি জুগোলচন্দ্র শর্ম্মা, বেষ্ট এক্টরদা এ সকুন্তলা, বেষ্ট এক্ট্রেসতা এন ইন্দুরেখা, বেষ্ট নেগেটিব এক্টরদা এন বিজেন্তি, বেষ্ট কেরেক্টর এক্টরদা বি ললিতাবী, বেষ্ট কেরেক্টর এক্ট্রেসতা এস কবিতা, বেষ্ট কোমেদিয়নদা এল প্রিন্সি, বেষ্ট সপোর্টিং এক্টরদা ও অঙৌবী অমসুং বেষ্ট জুরি এৱার্দতা এৱার্দ ফংলকখ্রবী ৱাই য়াইফবীনচিংবদা সর্টিফিকেট য়েন্থোকখি হায়রি।

# কলচরগী এপেক্স বোদি শেমখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৫(ঐচ এন এস): মণিপুরদা খুন্দামিন্নরিবা চীংমী-তম্মী পূম্বগী নাৎকী লূপ, ইন্দিভিজ্যুএল কয়া য়াওনা মীফম অমা থা অসিগী ১৩ দা চঙাঙ্গৈ উচেক্লোন এয়রপোর্ট রোদতা লৈবা এন টি ঠিএটরগী হোংনেমশঙ প্লে হাউসতা পাঙথোক্তুনা কলচরগী এপেক্স বোদি অমা ওইনা কলচরেল ৱার্করস এন্দ এক্টিভিষ্ট ফোরম মণিপুর কৌবা অপূনবা লূপ অমা শেমখ্রে।

মীফম অদুদা এপেক্স বোদি অসিগী চ্যেরমেন ওইনা ক্রিটিক, প্লেরাইট বুধ চিংথামবু খনখিবগা লোয়ননা ঠিএটর দিরেক্টর নিংথৌজা দিপকপু কনভিনর ওইনা খনখ্রে।

কনভেন্সন অসিদা কলচরগী ফিল্ডদা লৈরিবা ঠিএটর, দান্স, থাঙ-তা, শুমাঙ লীলা, ৱারী লিবা, নট সঙ্কৃতর্ন, ফোক পর্ফোর্মিং আর্ট, ম্যুজিক, ফিল্ম অমসুং ঠিএটরনচিংবগী লূপশিং অমসুং মীওই কয়ানা শরুক য়াখি। নাৎকী অপূনবা লূপ অসি শেম্বগী মরুওইবা পান্দমদি লমদম অসিগী ইনাক খুল্লবা কলচরদা কন্টম্পররি মাস কলচরগী অকনবা শাফূনা ওইহল্লক্লিবা কলচরেল ফোর্ম কয়া শিথরকপা, মাঙশিল্লকপা অমদি হিংলিবা খরসিসু মওং-মরিল হোংলকপা, কলচরেল দিসওর্দর অমা লাকপা, কলচরেল ফোর্মশিং কন্নবা, পোপ্যুলরাইজ তৌনবা লৈরিবা গভর্ণমেন্ট অমসুং লন্নাই এজেন্সী কয়া লৈরিবশিং অসিনসু থৱায় হকচাং য়াওনা পূকচেল শেংনা, নাখে শেংনা সিষ্টেমেটিক ওইবা মওংদা তৌবীরক্তবা কয়া অসি উরুরগা কলচরগী লম্‌দা থৱায় য়াওবা লূপশিং অমসুং মীওই কয়ানা কলচর অমসুং কলচরেল ফোর্মশিং অসিবু রিজার্ভেসন অমসুং প্রমোসন হায়বা অসিদা কথোকপগা লোয়ননা পূন্না চঙশিন্নবগীদমক্তনি। কনভেনসন অসিদা তোঙান-তোঙানবা কলচরগী দিসিপ্লিনশিংগী মহুৎ শিনবা মীওই ২৩ না শেম্বা এগজিক্যুটিব বোদি অমসু শেমখ্রে। চিংথহৌবা কলচরগী দিসিপ্লিনশিংগীদমক থা অসিগী ২০ দা এন টি ঠিএটরদা নুংথিল পুং ১ তাবদা অনীশুবা মীফম অমা পাঙথোক্কনি হায়রি।

# সেদ্যুল্ড ট্রাইবকী লিষ্টতা চলহন্নবা খন্ন-নৈনবগী মীফম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৫(ঐচ এন এস): কোওর্দিনেটিং বোদি ওন সেদ্যুল্ড ট্রাইব দিমান্দ কম্মিটি থৌবাল দিষ্ট্রিক্টনা শীন্দুনা ঙরাং নুংথিল সলুংফম হায় স্কুলদা মীতৈ/মৈতৈবু ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুসনগী সেদ্যুল্ড ট্রাইবকী লিষ্টতা চলহনগদবনি হায়বসিগী মতাংদা খন্ন-নৈনবগী মীফম অমা পাঙথোকখ্রে।

সেদ্যুল্ড ট্রাইব দিমান্দ কম্মিটি মণিপুর, থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী পব্লিসিটি সেক্রেটরি রোনেল অমাকচমনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, মীফম অদুদা কম্মিটি অসিগী কনভিনর মুতুম চূড়ামনি, থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী প্রসিদেন্ট লাইশ্রম লোকেন্দ্রো অমদি খুল অদুগী ৱার্দ নম্বর ১ অমসুং ৩গী মেম্বর সাপম লোইদাং অমসুং সোইবম প্রেমেশ্বরি লোয়ননা ইকোপ নিংথৌ য়ুঠ দিভলপমেন্ট ক্লবকী জেনরেল সেক্রেটরি লুক্রাম জেসন য়াওনা খুল অদুগী অহল অমদি নহাশিংগা লোয়ননা পাঙথোকখ্রে।

মীফম অদুদা মীতৈ/মৈতৈনা সেদ্যুল্ড ট্রাইব লিষ্টতা চনবদা চঙদবা য়াদ্রবা ক্রাইটরিয়া মঙাদা য়ূম্ফম ওইদুনা খন্ন-নৈনখিবগা লোয়ননা কোওর্দিনেটিং বোদি ওফ সেদ্যুল্ড ট্রাইব দিমান্দ কম্মিটি ওফ মণিপুর অমসুং কোওর্দিনেটিং বোদি ওন সেদ্যুল্ড ট্রাইব দিমান্দ কম্মিটি মণিপুরনা চঙশিল্লকপা খোঙজংশিংদা মখা তানা অমত্তা ওইনা শৌগৎপগা লোয়ননা শরুক য়ামিন্নবা হায়না মীফম অদুদা ৱারেপ্লখি।

# মপী কাউন্সিল, হাওমী রিছার্স গিল্ডনা তেংবাংখ্রে



ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৫(ঐচ এন এস): কুনহুমদোই শুবা সাউদর্ন তাঙ্খুল কেথলিক কোংগ্রেস উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টকী রিসেন্ট খৃষ্ট কেথলিক চর্চ কৈহাওদা হৌদোকখ্রে।

রিসেন্ট খৃষ্ট কেথলিক চর্চকী পাষ্টর এম ফুংয়োনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, থৌরম অদুদা ফুংয়ার এ সীগী এম এল এ লৈসিও কৈশিংনা চীফ গেষ্ট ওইদুনা হৌদোকখি অমদি মপী কাউন্সিলগী প্রসিদেন্ট এম বিমোল মীতৈ, হাওমী রিছার্স গিল্ডকী ভাইস চ্যেরমেন রোবিন সিংলাই অমদি ৱাশিংটনসু শরুক য়াখি।

থৌরম অসিগী মতুংইন্না মপী কাউন্সিল অমদি হাওমী রিছার্স গিল্ডনা অঙম্বা মতেং ওইনা চেঙ অমসুং আলুনচিংবা চান-থক্লবা পোৎলমশিং মতেং পাংখ্রে। অসিগুম্বা থৌরমশিং অসিদা ঐখোয় মশেল পূন্না শরুক য়ামিন্নদুনা অমনা-অমগী মতেং পাংনদুনা অপূনবা নুংশি-চান্নবা ইরমদম অমা শাগৎপদা পূন্না শরুক য়ামিন্নবা অমদি থৌদাং লৌমিন্নবগী তঙাইফদবা লৈরে হায়না ফোঙদোরক্লি।

মপী কাউন্সিল অমসুং হাওমী রিছার্স গিল্ডবু খুলগী মায়কৈদগীসু থাগৎপা ফোঙদোরকখি।

## ষ্ট্রীট ভেন্দরশিংগী মীফম পাঙথোক্কনি

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৫(ঐচ এন এস): রোদ সাইদ ভেন্দরস ৱেলফ্যের এসোসিএসন খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলগী ১৯শুবা ফাউন্দেসন দে কম কনফরেন্স থা অসিগী ১৮গী অয়ূক পুং ১০ তাবদা জি এম হোলদা পাঙথোক্লগনি। থৌরম অসিদা নেসনল হোকরস ফেদরেসনগী জেনরেল সেক্রেটরি শক্তিমান ঘোশ অমসুং ষ্টেট ১৫গী ষ্ট্রীট ভেন্দরগী লুচিংবশিংসু শরুক য়াগনি। মণিপুরদা ষ্ট্রীট ভেন্দরশিংনা থেংনরিবা খূদোংচাদবশিং অমদি ষ্ট্রীট ভেন্দরশিংগী রাইটকা মরী লৈনবা ৱাফম কয়াসু অখঙ-অহৈশিংনা কুপ্না খন্নগনি। ষ্ট্রীট ভেন্দরস এক্ট, ২০১৪ বু মণিপুরদা চৎনদনা লৈরিবা অসি চৎনহন্নবা মণিপুর গভর্ণমেন্টদা তকশিন্নবা ৱারেপসু লৌগনি হায়রি। নুমিৎ অসিগা মরী লৈননা মতম শাংনা ষ্ট্রীট ভেন্দর ওইনা পোৎ য়োন্দুনা লাক্লবা অহল ওইরবী পোৎয়োনবী ইমাশিংগী মফমদা খূদোলপোৎ পীদুনা ইকায় খুম্নবা উৎকনি হায়না এসোসিএসন অসিগী ভাইস প্রসিদেন্ট দল্লিয়ু ইনাওবীনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

## পুরুক শৌবী, কোংবা মরূ অমসুং পূন্সি লোক্তা হৈকৎ-লৈকৎ তমগনি

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৫(ঐচ এন এস): কোংবা মরূ লাইফমলেনদা চেঙ-লৈকৎপগী থৌরম অমা থা অসিগী ১৮ গী অয়ূক পুং ৭ তগী হৌগনি হায়না কোংবা মরূ লাইফমলেন অপূনবা শেমগৎ-শাগৎ লূপকী প্রসিদেন্ট লুৱাংচা অরাম্বম নিংথেমজাওনা থোকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

কোংবা তাখোক মপালদা লৈবা ইপূধৌ পুরুক শৌবী লাইকোন্দা হৈকৎ-লৈকৎ তম্বগী থৌরম অমা থা অসিগী ২১ দা পাঙথোক্কনি হায়না কংলা ফমথৌ ৬৪গী সেক্রেটরি জেনরেল ঈংবা মঙাংনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

থা অসিগী ২২ গী অয়ূক্তগী হৌদুনা সলাই তরেৎ পূন্সি লূপতিনগী থৌমীশিংনা শীন্দুনা লুৱাংথেল পূন্সিলোক লাঙ্গোলগী পূন্সি খুলদা লৈবা লাইফমলেনদা হৈকৎ-লৈকৎ তমদুনা চেঙবী-চেঙবা হৈবগী থৌরম পাঙথোক্কদৌরিবা অসিদা মীয়াম্না শরুক য়াবীরনবা সলাই তরেৎ পূন্সি লূপতিনগী প্রসিদেন্ট অশাংবম ইবোহল লুৱাংনা থোকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

## ফেষ্টিবেল ওফ দান্স দ্রামা

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৫(ঐচ এন এস): জৱাহরলাল নেহরু মণিপুর দান্স একাদেমিগা পব্লিক ঠিএটর আর্টিষ্ট এসোসিএসন নম্বোল ফোইজিংগা খূৎশম্নদুনা নুমিৎ নীনিগী ওইবা ফেষ্টিবেল ওফ দান্স দ্রামা থা অসিগী ১৬ অমসুং ১৭ কী নুংথিল পুং ৪.৩০ তাবদা পব্লিক ঠিএটর আর্টিষ্ট এসোসিএসনগী ওদিটোরিয়মদা পাঙথোক্কদৌরি।

প্রদক্সন য়ুনিট অসিগী ৪২শুবা থৌরমগা মরী লৈননা একাদেমি অসিগী চহীগী চথরকপা ফেষ্টিবেলগী মনুং চন্না হৌখিবা কুমজা ২০১৬ কী জুন ২৯ অমসুং ৩০ দসু অসিগুম্বা নুমিৎ নীনিগী ওইবা দান্স দ্রামা ফেষ্টিবেল অসি লাংমৈদোং দ্রামাটিক য়ুনিয়নগা খূৎশম্নদুনা লাংমৈদোংদা পাঙথোকখ্রে। ফেষ্টিবেল অদুগী অহানবা নুমিৎ থা অসিগী ১৬ তা দান্স দ্রামা মোইরাং শা অমসুং থা অসিগী ১৭ তা দান্স দ্রামা কৈবুল লমজাও উৎকনি হায়রি।